ইন্দিয়া টি-২০ ৱর্ল্ড কপতা ন্যু জিলেন্দগী মখূৎতা ৱিকেট ৮দা মায়থীবা নংখ্রে

ICC MEN'S T20 WORLD CUP 2021

দুবাই, ওক্টোবর ৩১ (এজেন্সী):

যুনাইটেদ আরব ইমিরেটসনা যূল্বু ওইরগা পাঙথোক্লিবা টি-২০ ৱর্ল্ড কপ ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ঙসি সুপর ত্বেল্ভকীগ্রুপ টুদা ইন্দিয়াগী অনীশুবা মেটচ অদু ন্যু জিলেন্দগী মখূৎতা ৱিকেট ৮দা মায়থীহৌরে।

মেটচ অদুগী টোস ন্যু জিলেন্দনা ঙমদুনা বোলিং হান্না তৌখি। ইন্দিয়াগী টিম অসি অহানবা মেটচতা পাকিস্থানগী মখূৎতা য়াম্না চাওনা ৱিকেট ১০দা মায়থীবা নংখিবনি। ঙসি টিম অসিনা ইন্নিংস হৌরকপা অদুদা ন্যু জিলেন্দগী বোলরশিং অদুবু মখোয়না লাকশিন্না শান্নবা ঙমখিদে, রন লৌবগী চাংসু য়াম্না নেমখি। ওভর ২০ লোইশিল্লকপদা রন ১১০ খক লৌরগা বেটসমেন ৭ আউট ওইখি। ইন্নিংসকী অহুমশুবা ওভরদা ইন্দিয়াগী ওপনর ইসান্ত কিষন শুপ্নগী রন ৪দা আউট তাখি। মহাকপু রোহিট শর্ম্মনা মহুৎ শিনখি।

রোহিট অমসুং রাহুলনা ইন্নিংস মখা তানা ওভর ৩ শান্নমিন্নরকপদা অপূনবা স্কোর ৩৫ খক য়ৌরকপা মতমদা কে এল রাহুল ফীভম ফজরম্বদগী বোল ১৬তা রন ১৮ লৌরম্লগা আউট তাখি। মহাক্কী মহুৎ কেপ্টেন ভিরাট কোহলিনা মহুৎ শিনখি। ভিরাট কোহলি মমাংঙৈদা শান্নখিবা অদুগুম্না মায়োক্কবা বোলরশিংবু খূদুম চনবা ঙমখিদে। মহাক বোল ১৭ মায়োক্লবদা শুপ্নগী রন ৯ খক লৌরম্লগা আউট ওইখি।

রিসব পন্ট অমদি রোহিট শর্ম্মনা ইন্নিংস মখা তারকখি। রোহিট মশাগী স্কোর ১৪দা আউট ওইখি। রবিন্দ্র জাদেজানা পন্টকী মহুৎ শিল্লকখি। মহাক্কা পান্দিয়াগনা ইন্দিয়াগী অপূনবা স্কোর অদু ৯৪ ফাওবা পুখৎলকখি। অদুবু পান্দিয়া বোল ২৪দা রন ২৩ লৌরম্লগা আউট ওইখি।

নৌনা চঙলকপা থাকুরসু বোল ৩ মায়োক্লবদা রন লৌবা ঙমদনা আউট তাখি। ইন্দিয়াগী স্কোর ১১০ য়ৌরকপদা ইন্নিংস লোইশিনখি। ইন্দিয়াগী বেটসমেন অহুম আউট তাহনবা ঙমখিবা ট্রেন্ট বোল্টনা খ্বাইদগী ফজবা বোলর ওইখি।

মেটচ অদু মায় পাক্লনবা ন্যু জিলেন্দনা ফজনা শান্নরক্তুনা ইন্নিংসকী ১৫শুবা ওভরগী ৩শুবা বোলদা শুপ্নগী ৱিকেট ২ খক আউট ওইরগা রন ১১১ লৌদুনা ইন্দিয়াবু মখোয়না ৱিকেট ৮দা থোইবা ঙমখি।

ন্যু জিলেন্দনা ইন্নিংস অদু য়াম্না ফজবা মওংদা মার্টিন গুপটিল অমদি দারিল মিচেলগা অহানবা ৱিকেট পার্টনরশিপকীদমক ওভর ৪ য়ৌশিল্লকপদা রন ২৪ লৌখি। মার্টিন গুপটিলনা অহানবা ওইনা বোল ১৭ মায়োক্লবদা ফোর ৩ য়ৈরম্লগা আউট ওইখি। মহাক্কী মহুৎ কেপ্টেন কেন ৱিলিয়মসননা মহুৎ শিনখি। মহাক্কা ওপনর দারিল মিচেলনা অনীশুবা ৱিকেট পার্টনরশিপকীদমক রন ৭২ হাপচিন্দুনা অপূনবা স্কোর ৯৬ শুরকখি।

১৩শুবা ওভরগী ৪শুবা বোলদা দারিল মিচেল ইন্দিয়াগী বোলর বুমরাহনা আউট তাহনখি। মহাক্কী ইন্নিংস অদুদা বোল ৩৫ মায়োক্লবদা সিক্স ৩ অমদি ফোর ৪ য়ৈরম্লগা রন ৪৯ লৌরমখি। দেবোন কোনৱে অমদি কেন ৱিলিয়মসননা ইন্নিংস মখা চত্থরকপা অদু ১৫শুবা ওভরগী ৩শুবা বোলদা মায় পাকপগী রন ১১১ অদু লৌবা ঙমদুনা ইন্দিয়াবু মখোয়না মায়থীবা পীখিবনি।

ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা নামিবিয়াবু অফঘানিস্থাননা রন ৬২দা থোইখ্রে। মেটচ অদুগী অহানবা ইন্নিংস অদু অফঘানিস্থাননা শান্নরকপদা ৱিকেট ৫ তুরগা রন ১৬০ লৌখি। মদুগী পাউখুমদা নামিবিয়াগী ইন্নিংস অদু ওভর ২০দা বেটসমেন ৯ আউট ওইরগা রন ৯৮ খক লৌখিবদগী মেটচ অদু অফঘানিস্থাননা নামিবিয়াবু রন ৬২দা থোইখি।

ধীরজনা ইন্দিয়াবু এ এফ সী য়ু-২৩দা গ্রুপকী ২শুবা তাহনখ্রে

ফুজৈরা, ওক্টোবর ৩১ (এজেন্সী):

মথং চহীদা উজবেকিস্থাননা যূল্বু ওইরগা পাঙথোক্কদৌরিবা চহী ২৩ মখাগী এ এফ সী এসিয়ন কপকী গ্রুপ ঈগী অরোইবা মেটচতা মোইরাংথেম ধীরজনা য়াম্না ফজবা মওংদা পেনাল্টি অনী সেভ তৌবা ঙমখিবদগী গ্রুপ ঈদা ইন্দিয়া অনীশুবা পোজিসন তাখ্রে।

ইন্দিয়াগী ফুটবোল পুৱারীদা শরুক য়ারকখিবা এ এফ সী অন্দর ২৩গী ওইনা হন্দক্কী অসিনা খ্বাইদগী ফজবা পর্ফোর্মেন্স ওইরি। ইন্দিয়াগী টিমনা অহানবা গ্রুপ মেটচতা ওমানবু পাঞ্জল ২-১দা থোইখিবনি। মদুগী মথং অনীশুবা গেমদা যূল্বু য়ু এ ঈগী মখূৎতা পেনাল্টি অমগী পাঞ্জলদা মায়থীহৌবনি। অদুগা ঙরাং অথেংবদা কির্গিস্থানগা লম্বা তৌনবদা পাঞ্জল চন্নদনা দ্রো চৎখি। গ্রুপ অমগী পোজিসন অনী তাবা খ্বাইদগী ফজবা টিম মরিনা ফাইনেল রাউন্দ য়ৌবা য়াবগী খূদোংচাবা লৈবা মরম্না ইন্দিয়া অমসুং কির্গিস্থাননা দ্রো চৎখ্রবসু মখোয় অনীমক পোইন্ট চপ মান্ননা ৪/৪ ফংমিন্নবতা নৎতনা গোল দিফরেন্সসু মান্ননা লৈখিবদগী কনানা অনীশুবা পোজিসনদা লৈগদগে হায়বগী মতাংদা কাওলোনগী মতুংইন্না পেনাল্টি শুটআউট তৌনরকখি।

ঙরাং অঙনবদা য়ু এ ঈনা ওমানবু মায়থীবা পীখিবদগী গ্রুপ ঈদা মখোয়না মকোক ওইদুনা লৈখি। ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী ঙরাংগী মেটচ অদু মায় পাক্লবা হোৎনখিবা অদু কান্নবা ফংখিদে। লোয়ননা কির্গিস্থানগী মায়কৈদগীসু চত্থখিবা এটেকশিং অদু গোলকিপর মোইরাংথেম ধীরজনা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা পাঞ্জল অমত্তা ওইহনখিদবনি।

পেনাল্টি কাওনবদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী প্রভিন, দানু, ৱাংজম সুরেশ অমসুং রাহিম অলি পাঞ্জল চনবা ঙমখি। অদুবু অসিশ রাইদি পাঞ্জল চনবা ঙমখিদে। কির্গিস্থানগী মায়কৈদগী অহানবা পেনাল্টি অদু আর্টিকবেবনা কাওখিবদা ধীরজনা ঙাকথোকপা ঙমখি। লোয়ননা অনীশুবা পেনাল্টি অদুসু ধীরজনা আটিয়ুকোবপু পাঞ্জল চলহনখিদে। অরোইবা কিক্ অনী অদুদি ধীরজনা ঙাকথোকপা ঙমহৌদবদগী পাঞ্জল ওইদুনা ইন্দিয়া ৪-২দা শুট আউট মায় পাকপদগী অনীশুবা পোজিসন তাখি। অতোপ্পা গ্রুপশিংগী রাউন্দ লোইশিল্লবা মতুংদা ইন্দিয়াগী লাইবক লেপকদৌরি।

জপানগী অকানে য়ামাগুচি অমসুং কান্তা সুনেয়ামানা টাইটল ফংখ্রে

পেরিস, ওক্টোবর ৩১ (এজেন্সী):

ফ্রান্সকী কোনুং পেরিসতা চত্থরকপা ফ্রেঞ্চ ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচশিংদা নুপীগী ওইনা অকানে য়ামাগুচি অমসুং নুপাগী সিঙ্গলসতা অতোপ্পা জপানগী শান্নরোয় কান্তা সুনেয়ামানা মায় পাক্তুনা টাইটল লৌবা ঙমখ্রে।

অকানেয়ামাগুচিটুর্নামেন্টঅসিগী নম্বর ৱান সিদেদ শান্নরোয়নি। মহাক্কা ঙরাং সেমীফাইনেলদা সাউথ কোরিয়াগী আন সেয়ংবু ২১-১৩, ১০-২১, ২১-১৮দা মায় পাক্তুনা ফাইনেল য়ৌরকপনি। অদুগা সায়াকা টাকাহাসিনা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় পি ভি সিন্ধুবু ১৮-২১, ২১-১৬, ২১-১২দা থোইরগা ফাইনেল য়ৌরকখি।

ঙসিগী ফাইনেল মেটচ অদুদা অহানবা গেম অদু শান্নরোয় অনীমক্কী মায়কৈদগী লম্বা য়াম্না মান্নখি। পোইন্ট ১৮-১৮ ফাওবা মান্নরম্লগা য়ামাগুচিনা পোইন্ট মখা তাবা অহুম লৌদুনা ২১-১৮দা থোইরগা গেম অমা মাঙজিল থাখি। অনীশুবা গেমগী হৌরকপদা য়ামাগুচিগী মায়কৈদগী ফজবা হেনখি। মহাক্লা টাকাহাসিদগী পোইন্ট মাঙজিল থারগা লৈখিবা অদুগী কান্নবা ফংদুনা গেম অদু ২১-১২দা থোইরগা নুপীগী সিঙ্গলসকী চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখিবনি।

নুপাগী সিঙ্গলসতা টুর্নামেন্ট অসিগী মরিশুবা সিদেদ চাইনিজ টাইপৈগী চৌ টিয়েন সেনগা জপানগী কান্তা সুনেয়ামাগা লম্বা তৌনখি। চৌ টিয়েন সেননা ঙরাং সেমীফাইনেলদা সাউথ কোরিয়াগী শান্নরোয় হিয়ো ক্বাংহিবু ২১-১৫, ২১-১৭তা থোইরমখি। অতোপ্পা সেমীফাইনেলদা জপানগী শান্নরোয় অনীগী লম্বাদা নম্বর ৱান সিদেদ ওইরিবা কেন্টো মোমোটা অমসুং কান্তা সুনেয়ামাগা শান্নরকপদা অহানবা গেম অদু মোমোটানা ২৬-২৪দা থোইখি। অনীশুবা গেমদা কান্তা সুনেয়ামানা লাকশিল্লক্তুনা মোমোটাবু ইৱা ৱাদনা ২১-১১দা থোইরগা গেম অমমম্ মান্নদুনা দিসাইদিং গেম অদু শান্নদ্রিঙৈ কেন্টো মোমোটা অশোকপা অমনা মরম ওইদুনা মখা তানা শান্নবা ঙমখিদবদগী সুনেয়ামা ফাইনেল য়ৌরকপনি।

ফাইনেল মেটচকী অহানবা গেম অদু চৌ টিয়েন সেননা ২১-১৫দা থোইরবা মতুং অনীশুবা গেমদা কান্তা সুনেয়ামাগী মায়কৈদগী য়াম্না ঙন্না মাঙজিল থাবা ঙমখিবা অদু চাইনিজ টাইপৈগী শান্নরোয় অদুনা তানখৎপা ঙমদনা গেম অদু সুনেয়ামানা ২১-৮দা থোইখি। ৩শুবা অমদি দিসাইদিং গেম অদুদা অহানবা হাফ লোইশিল্লকপা ফাওবা শান্নরোয় অনী পোইন্ট কা-হেন্নো খেন্নখিদে। অদুবু অনীশুবা হাফ অদুগী ময়াই চনশিল্লকপদগীদি কান্তা সুনেয়ামানা ফজবা হেল্লক্তুনা ২১-১৭তা থোইরগা নুপাগী সিঙ্গলসকী টাইটল অদু লৌখি। নুপীগী দবলসতা সাউথ কোরিয়াগী প্যের অনীগী লম্বাদা লি সোহি অমসুং সিন সিয়ুংচাননা কিম সোহিয়োং অমদি কোং হিয়োংবু ২১-১৭, ২১-৮দা থোইরগা টাইটল লৌখি।

মণিপুরনা অরুনাচল প্রদেশপু রন ৫১দা মায়থীবা পীবা ঙমখ্রে

কোলকাটা, ওক্টোবর ৩১(এজেন্সী):

বি সী সী আইনা শীন্দুনা কোলকাটাগী ইদেন গার্দেন ক্রিকেট গ্রাউন্দদা ঙসি শান্নখিবা সিনিয়র ৱিমেন্স ৱান দে লীগ ২০২১-২২গী মেটচ অমদা মণিপুরনা অরুনাচল প্রদেশপু রন ৫১দা মায়থীবা পীখ্রে।

ঙসিগী মেটচ অদুগী টোস মণিপুরনা ঙমদুনা বেটিং হান্না তৌখি। মদুদা মখোয়না অপূনবা ওভর ৫০ শান্নগদবা অদু বোল ৫ ৱাৎলিঙৈদো রন ১৬৭ লৌরগা বেটসমেন ১০মক আউট ওইদুনা ইন্নিংস অদু লোইশিনখি।

মণিপুরগী ওপনর এম চিঙ্খৈনা বোল ১০৯দা রন ৫০ লৌদুনা খ্বাইদগী যান্বা স্কোর অদু ওইখি। ৫শুবা বেটসমেন রেবিকানা বোল ৫৪দা রন ২১, কেপ্টেন গঙ্গানা বোল ১৫দা রন ১৭, ৮শুবা বেটসমেন মিলননা বোল ১১দা রন ১৩ লৌরমখিবা অদু পনবা য়াবা স্কোরশিং ওইখি।

অরুনাচল প্রদেশকী মায়কৈদগী সিবি য়াদবনা মণিপুরগী বেটসমেন ৩ আউট তাহনবা ঙমখি। লোয়ননা অতোপ্পা বোলর অনী অদাম অমসুং মাই মেকনা মণিপুরগী বেটসমেন ২/২ আউট তাহনখি। অদুগা টিম অদুগী কেপ্টেন রিতু অমসুং বাসরসু ৱিকেট অমমম্ লৌবা ঙমখি।

মায় পাক্লনবা অরুনাচল প্রদেশনা রন ১৬৮ লৌগদবা অদু মরুওইবা মণিপুরী বোলর ঐচ কিরনবালাগী য়াম্না ফজবা পর্ফোর্মেন্সনা ঙমহনখিদে। মহাক্লা ওভর ৬ লংবদা ৱিকেট ৪ লৌবা ঙমখি। মণিপুরগী অতোপ্পা বোলর এম চিঙ্খৈনা অরুনাচল প্রদেশকী বেটসমেন ২ আউট তাহনখি। লোয়ননা কেপ্টেন গঙ্গা, মোনিকা অমসুং মিলননা ৱিকেট অমমম্ লৌখি।

অরুনাচল প্রদেশকী মায়কৈদগী ৫শুবা বেটসমেন নাবম য়াপুনা বোল ১০০ মায়োক্লবদা আউট ওইদনা রন ৫৬ লৌখিবা অদুনা খ্বাইদগী ফজবা ঙমখি। অতোপ্পা বেটসমেনশিংদি রন ১০ য়ৌবা ঙমদনা আউট ওইখি। মাই মেক রন ৫, অদিটি চৌহান রন ৪, রুনা রন ৫, মেঘা শর্ম্মা ৪, সিবি য়াদব রন ১, অদাম রন ৭, কেপ্টেন রিতু রন ৫, এস লিগু রন ৩ অমসুং জে বাসর রন ৭ লৌরমখি। অরুনাচল প্রদেশকী ইন্নিংস অদু ৩৬শুবা ওভরগী ৫শুবা বোলদা রন ১১৬ খক লৌরগা ইন্নিংস লোইশিনবদগী রন ৫১দা মায়থীখিবনি।

বোবি’স গোল্ডন ফিটনেস জিম শঙ্গাখ্রে, কম্পিটিসনসু পাঙথোকখ্রে

INAUGURATION

ইম্ফাল, ওক্টোবর ৩১(ঐচএনএস):

লংথবাল কুঞ্জ ময়াই লৈকাইদা লৈবা বোবি’স গোল্ডন ফিটনেস জিম ঙসি দেপ্যুটি স্পিকর কে রোবিন্দ্রোনা চীফ গেষ্ট ওইদুনা শঙ্গাখ্রে। লোয়ননা অহানবা বোবি’স ক্লাসিক ষ্টেট লেভেল বোদি বিল্ডিং চেম্পিয়নশিপসু পাঙথোকখ্রে।

চীফ গেষ্টকী ৱারোল পীরদুনা দেপ্যুটি স্পিকর রোবিন্দ্রোনা ফোঙদোকখিবদা, বোদি বিল্ডিং মশান্না অসি অতোপ্পা মশান্নশিংদগী তোপ-তোপ্পী। ফিল্ড অসিদা চঙলকপা শান্নরোয়শিং দিসিপ্লিন য়াম্না লৈ। অতোপ্পা ফিল্ডদা লৈরিবা শান্নরোয়শিংসু দিসিপ্লিন লৈ। অদুবু বোদি বিল্ডিংগী শান্নরোয়শিংদা লৈরিবা দিসিপ্লিন অসিদি চাবা-থকপদগী হৌরগা তুম্বা ফাওবদা লোয়নরিবা অমনি।

জিম শঙ্গাবগী থৌরম অদুদা দেপ্যুটি স্পিকর কে রোবিন্দ্রোনা চীফ গেষ্ট ওইখি। ওল মণিপুর বোদি বিল্ডিং এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট অমদি ইন্দিয়ন বোদি বিল্ডিং ফেদরেসনগী ওর্গনাইজিং সেক্রেটরিসু ওইরিবা এম রতননা প্রসিদেন্ট ওইখি। নাগালেন্দগী এম এল এ খ্রৈয়ু লিজিটসুনা স্পেসল গেষ্ট অফ ওনর ওইখি। লোয়ননা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ভাইস চান্সেল্লর প্রো. এন লোকেন্দ্র, আই বি বি এফকী ভাইস প্রসিদেন্ট স্বামি রামেশ, এম এস এম ঈগ গর্ভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী নেসনল বোর্দ মেম্বর রোবিন ৱেক্কি, সোসল ৱর্কর ডা. কৃষ্ণনন্দ অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্টকী এসপি ডা. এস ইবোমচানা গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইখি।

ঙসি পাঙথোকপা অহানবা বোবি ক্লাসিক ২০২১ কম্পিটিসন অদুদা তোঙান-তোঙানবা জিম ২৮দগী শান্নরোয় ৬০না মেন্স বোদি বিল্ডিং অমসুং মেন্স ফিজিক কেটগোরিদা শরুক য়াখি। কম্পিটিসন অসি ওল মণিপুর বোদিবিল্ডিং এসোসিএসনগী মীৎয়েং মখাদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নগা খূৎশম্নরগা পাঙথোকখিবনি। শান্নরোয়শিং অদুনা লংথবাল কুঞ্জ ময়াই লৈকাইদা অয়ূকপুং ৮দগী ৱেথ ওনবগী থৌরম অদু লোইশিল্লবা মতুং মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী সেন্টিনরি হোলদা নুংথিল পুং ১.৩০দা কম্পিটিসন অদু পাঙথোকখিবনি। কিলোগ্রাম ৭০গী মথক অমসুং কিলোগ্রাম ৭০ মখাগী মকোক থোংবা বোদি বিল্ডর ৩/৩ খনগৎলগা লম্বা তৌনখিবদা লেম্হোং কামৈ ফাউন্দসনগী ৱাংখৈরাকপম প্রিয়োবর্তানা অহানবা তাখি। থৌবালগী আর এফ এগী চিঙ্খৈঙানবা অথোকপমনা অনীশুবা অদুগা এম পি এস সীগী দল্লিয়ু কিরননা অহুমশুবা তাখি। মেন্স ফিজিককীদা প্রভাবতি ফিটনেস সেন্টরগী অধিকারিময়ুম রিটেশ শর্ম্মনা মকোক ওইখি। সলাই ফিটনেস এন্দ জিম ৱাংজিংগী খুন্দ্রাকপম দেবব্রতানা অনীশুবা অদুগা রোয়েল জিম নিংঙোমথোংগী জোয়জিৎ ৱাইখোমনা অহুমশুবা তাখি।

মণিপুরগী করাটেকাশিং অমদি ওফিসল ইম্ফাল থাদোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ৩১(ঐচএন এস):

ত্রিপুরাগী ওল্ড অগরটালা ৱেষ্টতা লৈবা সেৱাধম ইন্দোর হোলদা নভেম্বর ১ অমসুং ২দা পাঙথোক্কদৌরিবা ৪শুবা নেসনল ওপন জেন্দোকাই করাটে চেম্পিয়নশিপতা শরুক য়ারুগদবা মণিপুরগী করাটেকাশিং অমসুং ওফিসলশিং ঙসি ইম্ফাল এয়রপোর্ট থাদোকখ্রে হায়না ওল মণিপুর জেন্দোকাই করাটে এসোসিএসনগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

হায়রিবা শান্নরোয়শিং অমদি ওফিসলশিং অসি মণিপুর এমেচর করাটে দো এসোসিএসননা এপ্রুভ তৌরবা ঙাক্তনি। তোঙান-তোঙানবা টিম ৭২না মণিপুরগী টিম এ অমসুং বি খায়দোক্লগা শরুক য়ারি। টিম এদা নুপামচা ৩৩ অমসুং নুপীমচা ১৬না শরুক য়ারি। ডা. মোইরাংথেম ইবোমচানা টিম কোচ অমসুং টেক্নিকেল ওফিসল, টি ঐচ রঞ্জিৎনা এসিষ্টেন্ট কোচ অমসুং টেক্নিকেল ওফিসল, এস কাননবালানা ফিমেল কোচ অমসুং টেক্নিকেল ওফিসল অদুগা লাইশ্রম চাওবনা টিম মেনেজর ওইগনি।

টিম বিদা নুপামচা শান্নরোয় ১৯ অমসুং নুপীমচা ৪ য়াওরি। হায়রিবা টিম অসিগী ওফিসলদা সেন্সৈ এম দি মুজিবুর রাহমননা টিম কোচ অমসুং টেক্নিকেল ওফিসল ওইগদৌরি। এন রোবর্টসননা এসিষ্টেন্ট টিম কোচ অমসুং টেক্নিকেল ওফিসল ওইগনি। লোয়ননা এল গিতাঞ্জলিনা ফিমেল টিম কোচ অমসুং টেক্নিকেল ওফিসল ওইগনি। টিম মেনেজরদা কৈশাম সুরঞ্জয় অমসুং ফিমেল টিম মেনেজর ওইনা কোন্থৌজম তোম্বীনা ওইগদৌরি।

এদ্যুকেসন মিনিষ্টর এস রাজেননা ৱুশু মশান্না অমদি আর্চরি মশান্নগী মেদল ফংলকখ্রবশিং ওকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ৩১(ঐচএনএস):

লমশাং এ সীগী সলামদা লৈবা ষ্টেটকী এদ্যুকেসন মিনিষ্টর ওইরিবা সোরোখাইবম রাজেনগী ময়ুমদা নেসনল চেম্পিয়নশিপশিংদা ৱুশু অমদি আর্চরি মশান্নদা মেদল লৌরকখ্রবা অমদি শরুক য়াখিবা শান্নরোয়শিংবু পূক্লিং থৌগৎপগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

চহী অসিগী মার্চ ২১দগী ২৫ ফাওবা ঝরখন্দদা পাঙথোকখিবা ২০শুবা সব-জুনিয়র ৱুশু নেসনল চেম্পিয়নশিপতা মাইবম প্রমেশ্বরীনা গোল্ড অমসুং সিলভর লৌখি। হায়রিবা চেম্পিয়নশিপ অদুদা নিংথৌখোংজম দেবিয়াসু শরুক য়াখি। লোয়ননা ওক্টোবর ২০দগী ২৫ ফাওবা পঞ্জাবতা পাঙথোকপা ২০শুবা জুনিয়র নেসনল ৱুশু চেম্পিয়নশিপতা মণিপুরগী চিংঙাংবম দিনেশনা সিলভর ৩ অদুগা মাইবম প্রিয়াঙ্কানা সিলভর অমা লৌখি। ঙসি পূক্লিং থৌগৎপগী থৌরম অদুদা কোচ অঙোম সনাথোইবী অমসুং কোইজম উশারানীসু য়াওখি।

থৌরম অদুদা মিনিষ্টর রাজেননা ফোঙদোকখিবদা, শান্নরোয়শিংগী থৌদাং য়াম্না চাওই। তিঙ্গং-কায়জংদবা লমদম অমা ওইহনবদা শান্নরোয়শিংনা লমজিং মৈরানি হায়খি।

মিনিষ্টর দিখোনা ফুটবোল টর্ফ শঙ্গাখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ৩১(ঐচ এন এস):

সেনাপটি দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরদা লৈবা নেসনল হায়ৱে নম্বর টু জঙ্কসন ওইরিবা এমিসিক্রোদা ‘দ্রিবল প্রো’ হায়না মিংথোনবা অনৌবা ফুটবোল টর্ফ গ্রাউন্দ অমা মিনিষ্টর লোসি দিখোনা ঙসি শঙ্গাখ্রে।

কোবো মোজেসনা থৌরম অদুগী হৌদোকপদা লাকখিবা মীয়ামবু থাগৎপা ফোঙদোকপগা লোয়ননা মিনিষ্টর, সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিং, ষ্টুদেন্টস এন্দ য়ূথ বোদিশিং, খুঙ্গংগী মীওইশিং অমদি অতোপ্পা লাকখিবশিং অদুনা প্রোজেক্ট অদু মপুং ফানা লোইশিনবদা পীখিবা মতেংশিং অদুবু থাগৎখি।

মিনিষ্টর দিখোনা ফোঙদোকখিবদা, ফুটবোল টর্ফ গ্রাউন্দ অদুনা মফম অদুদা লৈরিবা মরুওইনা শান্নববু পামজবশিংগীদমক য়াম্না চাওনা কান্নবা পীরগনি হায়খি।

মহাক্লা মখা তারদুনা, মণিপুরনা শান্নবগী মরমদা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা ইন্দিয়াগীদা নৎতনা মালেমদা মিংচৎ পুরকপা ঙল্লিবনি। মহাক্লা থৌরম অদুদা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা লাক্তুনা লোইশিনগদৌরবা ৱাটর সপ্লাই প্রোজেক্ট অমসু শঙ্গাগদৌরি। চীফ মিনিষ্টরগী অয়াবা য়াওদুনা দিষ্ট্রিক্ট অদুদা প্রোফেসনেল গেমশিং অমদি টুর্নামেন্টশিং পাঙথোকপা য়াননবা স্পোর্টসকী ইনফ্রাষ্ট্রকচর খূদিংমক শেমগৎকদবনি হায়খি। মিনিষ্টরগী মীৎয়েং মখাদা মরুওইনা ফুটবোলদা অকনবা মায়ওন পীগদৌরি।


SPECIAL OFFER !! Rs 5000/-
FOR ADVANCE PAYMENT
100 % Spares Available
Rs 1,68,000/-
TARO By SHRACHI
Original Made in Taiwan
SMART SERIES
Rs 1,50,000/-
Authorised dealer
Machelva Agro, Mahindra Tractor Showroom, Malom Bazaar, Airport Road
HL-P/513/29/10-13/11

যোগ শান্নরোয়শিংবু থাগৎলক্লি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ৩১(ঐচএনএস):

নেসনল যোগসনা স্পোর্টস ফেদরেসন ন্যু দেল্লীনা শীন্দুনা ওক্টোবর ২৫দগী ২৯ ফাওবা ওনলাইনগী খূথাংদা পাঙথোকখিবা নেসনল যোগসনা স্পোর্টস চেম্পিয়নশিপ ২০২১-২২গী ক্বার্টর ফাইনেল অমদি সেমীফাইনেল রাউন্দদা মায় পাক্লবা মণিপুরগী শান্নরোয়শিংবু মণিপুর যোগসনা স্পোর্টস এসোসিএসননা হরাউবা অমদি থাগৎপা ফোঙদোরক্লি। ফাইনেল অমদি সেমীফাইনেল চঙলবা শান্নরোয়শিং অদুদি জুনিয়র কেটগোরিদা দিনির, শিবানন্দ, মেরিনা, জেনিফর অমসুং কমলানি। সব-জুনিয়রদা সোনিয়া, খুশি, মৃনালিনী অমসুং খোইদম্বীনি।

HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



PUZZLE NO. 276

Von Beckh, Frieda (1541) - Sereda, Yaroslava (1750)
DEM U14w 2021 Willingen GER (8), 2021.08.28

1.e4 c5 2.Nf3 Nc6 3.d4 cxd4 4.Nxd4 g6
5.c4 Bg7 6.Be3 Nf6 7.Nc3 Ng4 8.Qxg4 Nxd4
9.Qd1 Ne6 10.Rc1 b6 11.b4 Bb7 12.f3 O-O
13.Be2 d6 14.O-O a5 15.a3 axb4 16.axb4 Ra3
17.Qd2 Rb3 18.Nd5 Bxd5 19.cxd5 Rxe3 20.dxe6 Rb3
21.exf7+ Kh8 22.Bc4 Rb2 23.Rc2 Rxc2 24.Qxc2 b5
25.Be6 Qb6+ 26.Kh1 Qd4 27.Qb3 Ra8 28.Rc1 Ra1
29.Qc2 Bf8 30.Rb1...

QUESTION :

Black to Win

Puzzle 275 Ans. :

25. ...Qxc3 26.Qxe6+ Kh8 27. Rxh6+ gxh6 28.Rxh6+ Kg7 29. Rh7+ Kxg6 30.Qe4+ Kg5 31.Qg4#
26. Qxe6+ Kh8 27. Rxh6+ gxh6 28.Rxh6 +Kg7 29. Rh7+ Kxg6 30.Qe4+ Kg5 31. Qh4+ Kf5 32. Qe4+ Kg5 33.Qg4#
1-0

100% Food Grade (for drinking water) Highly durable UV stabilized Odourless
LOKTAK
S.D.Industries
5000 ltr
2000 ltr
1000 ltr
500 ltr
300 ltr
200 ltr
Septic Tank (1000 ltr)
Dust Bin (100 ltr)
09436661644 / 09035147901
HL-B/7250/28/10-6/11

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Executive Editor: Maisnam Karnajit, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com